**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17.03.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট খুদক্তগী চৎনবা হৌরে।

২) লোক সভা মীখলগা পুন্না পাঙথোক্কদৌরিবা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং সিক্কিম বিধান সভা মীখলগী ভোৎ মশিং জ়ুন ৪ গী মহুৎতা জ়ুন ২ দা ওইনা থিরগনি।

৩) হকচাং ফনা লৈনবগীদমক নিংথিনা তুম্বা তঙাইফদে হায়বসি মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা ঙসি ৱাল্ড স্লিপ দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

৪) ন্মিৎ হুমি চত্থগদবা ষ্টার্টঅপ মহা কুম্ভ হয়েংদগী নিউ দিল্লিদা হৌরগনি।

অমসুং

৫) নাগালেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা অহুমসুবা নোর্থ ইষ্ট গেমস হয়েংদগী হৌরগনি।

------

মীখল ঃ ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়না ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট খুদক্তগী চৎনবা হৌরে।

কম্মিসন্না কেবিনেট সেক্রেটরি, রাজ্য খুদিংমক্কী চীফ সেক্রেটরিশিং অমসুং চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারশিংদা চিঠি ইদুনা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট মপুংফানা ঙাকা চৎনবা থবক পায়খৎনবা খঙহনখ্রে। কম্মিসন্না হায়- মীখলগী মতম লাউথোকখিবা পুং ৪৮ গী মনুংদা আইন কায়বা মওংদা রাজনীতিগী ওইবা এদভরতিজমেন্ট তৌবা, ফক্লাংদা ইশিনবা, পোষ্টরশিং, হোর্দিংশিং, বেন্নর ফ্লেগনচিংবা নপশিনবশিং লৌথোকবা খঙহল্লি।

কম্মিসন্না হায়- রাজনীতি দলশিং, কেন্দিদেটশিং নত্রগা মীখলগা মরী লৈনবা ওফিসিয়েল দ্যুতি তৌবা নত্তনা লন্নাই মীওইশিংনা ভোৎ খোম্নগী থবক্তা সরকারগী গাড়িশিং শিজিন্নবসু পুমথিং থিংলে। অদুগা সরকারনা মখোয়না পাঙথোকখিবা থবকশিং ইলেক্ট্রোনিক অমসুং প্রিন্ট মিদিয়াদা উৎথোকপা এদভরতিজমেন্টশিংসু থিংলে।

মনিপুরগী লোক সভা কেন্দ্র অনিগী মীখলগী ভোৎ তাঙ্কক অনিথোকা মথং থাগী ১৯ দা অমসুং ২৬ তা থাদনগনি । অহানবা তাঙ্কক্তা জিরিবাম নত্তনা তম্পাক্কী বিধান সভা কেন্দ্র পুমমক অমসুং চীংগী বিধান সভা কেন্দ্র ৮ দা ভোট থাদনগনি। অনিশুবা তাঙ্কক্তনা জিরিবাম অমসুং চীংগী লেমহৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১২ দা ভোট থাদনগনি। রাজ্য অসিগী ওইনা অপুনবা ভোতর মশিং লাখ ২০ লিশিং ২৬,৬২৩ নি। মসিগী মনুংদা নুপা ভোতরনা লাখ ৯ লিশিং ৭৯,৬৭৮, নুপীনা লাখ ১০, লিশিং ৪৬,৭০৬ অদুগা ত্রান্সজেন্দরনা ২৩৯ নি। মীখল অসিগীদমক পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ২,৯৫৫ হাংদোক্কনি।

রাজ্য অসিদদি মরুওইবা রাজনীতি দল অয়াম্বনা হৌজিক ফাওবা মখোয় মখোয়গী থাগৎকদবা মীরেপশিংগী মীং লাউথোকদ্রি। অদুমওইনমক, দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারশিংনা মীখল অসিগীদমক শেম শাবদি হৌনরে।

থৌবাল জিলাদা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট মপুংফানা চৎনহন্নবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না থবক পায়খৎপা হৌরে।

ত্রিপুরাদা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগীদমক রাজ্যগী ইলেক্সন বিভাগনা শেম শাবা হৌখ্রে। সিট অনি লৈবা রাজ্য অসিগী মীখলগী ভোৎ তাঙ্কক অনি থোকা মথং থাগী ১৯ অমসুং ২৬ তা থাদনগনি। ত্রিপুরা ৱেষ্টকী লোক সভা কেন্দ্রগী মীখলগী ভোৎনা এপ্রিল ১৯ দা অদুগা ত্রিপুরা ইষ্টকীনা এপ্রিল ২৬ তা

থাদনগনি। রামনাগর বিধান সভা সিটকী মরক্কী মীখলগী ভোৎসু এপ্রিল ১৯ দা থাদগনি। রাজ্য অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং লাখ ২৮ লিশিং ৫৬ লোমনি।

অকাশবানি নিউজগা ৱারী শান্নবদা ত্রিপুরাগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার পুনিৎ আগরৱালনা হায়- রাজ্য অদুদা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ৩,৩০০ হেন্না হাংদোক্কনি। হৌজিক ফাওবদা মীখলগী ঙাক শেন্নবগীদমক রাজ্য অদুদা সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স অমসুং বি.এস.এফকী কম্পনি ৭০ রোম থুংখ্রে। বি.জে.পিনা ত্রিপুরা ৱেষ্টতা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি বিপ্লব কুমার দেব অমসুং ত্রিপুরা ইষ্টতনা মহারানি কৃতি সিংহ দেব বরমাবু দলগী মীরেপ ওইনা থাগৎলি। কংগ্রেসনা ত্রিপুরা ৱেষ্ট সিটতা কাসিস কুমার সাহবু দল অসিগী মীরেপ ওইনা থাগৎলি।

মরক অসিদা, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং সিক্কিম বিধান সভাগী ভোৎ মশিং জ্ন ২ দা থিরগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চেরোল অমনা হায়রি। রাজ্যশিং অসিগী বিধান সভাশিংগী টার্ম লোইশিল্লকপদগী ভোৎ থিবগী মতম ঙনখৎলকপনি। অদুমওইনমক, রাজ্য অনি অসিগী লোক সভা মীখলগী ভোৎ মশিংদি জ্ন ৪ দা থীগনি হায়রি।

অমরোমদা, ইলেক্সন কম্মিসন্না আর্জ্ন এৱাদ ফংখ্রবী পেরা আরচর- সিতল দেবীবু নেসনেল পি.দব্লিউ.দি আইকোন ওইনা লাউথোকখ্রে। ইন্দিয়ান দেফ ক্রিকেট এসোসিয়েসন অমসুং দিল্লি এন্দ দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী একজিবিসন ক্রিকেট মেটচকী থৌরম অমদা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি। থৌরম অদুদা চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার রাজিব কুমার অমসুং ইলেক্সন কম্মিসনারশিং- গ্যানেস কুমার অমসুং শুখবির সিংহ সন্ধুসু শরুক য়াখি।

ডে (এল)ঃ হকচাং ফনা লৈনবগীদমক নিংথিনা মপুং ফানা তুম্বা তঙাইফদে হায়বসি মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা ৱাল্ড স্লিপ দেগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা য়েনিং দে কেয়র সেন্তর অমদি সিয়র এন্দ কেয়র, ৱাংখৈনা পুন্না শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী কোংপাল কোংখাম লৈকায়দা পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। হকচাং ফনবগীদমক নিংথিনা তম্বা হায়বা

থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদ্দা সিয়ার এন্দ কেয়ারগী ফাউন্দর ডাঃ আর.কে. লেনিনা হায়- মীওইবা অমনা মশাগী চহিগী মতুংইন্না অককবা পুংশিং তুম্বগী তঙাইফদবা লৈ। ঐখোয়না হকচাং ফনা নাদ য়েক্তনা লৈনবগীদমক নিংথিনা তুম্বা হায়বসিসু য়ামা মরুওইবা অমনি।

ম্যুজিক (এল)ঃ খা মণিপুর হিন্দুস্তানি সঙ্গিৎ মহা বিদ্যালয়, ককচিংগী গোল্ডন জ্‌বিলি সেলেব্রেসন অমদি ক্লাসিকেল ম্যুজিক ফ্যুজনগী থৌরম ঙসি বিদ্যালয় অসিদা পাঙথোকখ্রে। রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী শেন্থং মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা বিদ্যালয়গী মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমশিং উৎখি। বিদ্যালয় অদুগী গোল্ডন জ্‌বিলি পালনগী সোভিনিয়র অমসু পুথোকখি।

ক্লিনিনেস (এল)ঃমকাম যুথ ওর্গনাইজেসন (এম.ৱাই.ও)না চথ্বরকপা ফিলান্ত্রোফিক অমসুং হ্যুমেনিতি সার্ভিসেসকী শরুক অমা ওইনা ঙরাং ইম্ফালগী কৈশামপাৎতা লৈবা হাইপৌ জাদোনাং পার্কতা লম তু শেংবা অমদি মসিবু হেন্না মশক ফজহন্নবা থবক পায়খৎখ্রে।

কেম্প (এল)ঃ ইম্ফালগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা আইলেন্দ হোস্পিতালদা ঙসি লেমা লায়েংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা হকচাংগী অরুম্বা, ব্লড প্রেসর, ব্লড সুগর, ই.সি.জি, থাইরোইদ টেষ্ট, কিদনিগী মাইক্রো এলবুমিন য়েংবনচিংবা চথখি। পুন্না মীওই ৯০ হেন্না টেষ্ট তোদুনা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি। তুংদা, হার্ট এটেক প্রিভেন্সন সেল অমসু হোস্পিতাল অসিদা হাংদোক্কুনা হার্ট এটেক্তগী ঙাকথোকেবা পান্বেশিংসু মীয়ামদা খঙহনখি।

লাইরিক (এল)ঃ রাইটরস ক্লব মনিপুর, নম্বোলনা শিন্দুনা ঙসি উৎলৌ অৱাং লৈকায়দগী লৈবা লাইনিংথৌ হোস্পিতাল এক্সতেন্সন হোলদা ডা: টি.ঐচ নাবকিস্বারনা ইবা- রধা কৃষ্ণ অমসুং পুরানগী ৱারিশিং কৌবা লাইরিক অমা ফোংখ্রে।

ষ্টার্টঅপ ঃ লৈবাক অসিগী ষ্টার্টঅপকী ইকো সিষ্টেম মপুংফানা উৎপা খ্বাইদগী চাডরবা থৌরম ষ্টার্টঅপ মহা কুম্ভ হয়েংদগী হৌরগনি। নিউ দিল্লিগী ভারত মান্দপ্পমদা থৌরম অসি থা অসিগী ২০ ফাওবা চথগনি।

থৌরম অসিদা এ.আই, বি.টু.বি, এগ্রিটেক, দিপটেক, ক্লাইমেট টেক, গেমিং, ই-স্পোর্টস, ফিনটেক, ইনকুভেটরস অমসুং এসেলেরেটরসকী পেভিল্লিয়নশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমদা য়ুম্ফম ওইবা পেভিল্লিয়নশিং হাংগনি। ষ্টার্টঅপকা শেল থাদবা মীওইশিং য়াওনা অতৈ তোঙান তোঙানবা লমগী মীওইশিংগা মরী লৈনহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা করটেনরাইজরগী পাউগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা দি.পি.আই.আই.টিগী সেক্রেটরি রাজেশ কুমার সিংহনা হায়- লৈবাক্কী কোনুংদা খ্বাইদগী চাউবা থৌরম অমা ওইনা হন্দক্কী থৌরম অসি অহানবা ওইনা শিনবনি। মহাকা হায়- ভারত অসি ষ্টার্টঅপ ইকো সিষ্টেমদা খ্বাইদগী চাউবা অহুমসুবা লৈবাকনি অমসুং ষ্টার্টঅপকী মশিংসু নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। থৌরম অসিদা ষ্টার্টঅপ লিশিং ২ হেন্না, তুংগী ওন্তরপ্রেন্যুর লিশিং ৩০, লল্লোন ঈতিক্কী লমদা শেল থাদবা মীওই লিশিং ৫০, ইনকুভেটর ৫০০ হেন্না অমসুং লৈবাক ১০ গী মীহুৎশিং শরুক য়াগনি।

কেজ্রিৱাল ঃ দিল্লি জল বোর্দকা মরী লৈননা মনি লোন্দরিংগী কেসতা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট (ই.দি)না দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱালদা সম্মোন থাখ্রে। সরকারগী পাউনা হায়- মহাকপু ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অসিগী ওফিসতা হয়েং লাকবা অমসুং প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্টকী মখাদা মহাক্কী ৱারোল রেকোর্দ তৌনবা খঙহল্লি। শ্রী কেজ্রিৱালগী মথক্তা এক্ট অসিগী মখাদা রেজিষ্টর তৌখিবা হন্দক্কি অসিনা অনিসুবা কেসনি। মমাংদা দিল্লি এক্সাইজ পোলিসিগা মরী লৈনবা কেস অমদসু মঙোনদা সম্মোন থাখিবনি।

আরএসএস ঃ রাষ্ট্রিয়া স্বায়ম সেবক শঙ্ঘ(আর.এস.এস)গী ঙসি পাঙথোকখিবা মীফমনা দাতা ত্রেয়া হোসাবারেবু জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা অমুক হন্না খনখ্রে। নুমিৎ হুমনি চথগদবা অখিল ভারতিয়া প্রতিনিধি সভা

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা মহারাস্ত্রগী নাগপুরদা হৌখিবনি। মসিদা পুন্না আর.এস.এসকী মীওই লিশিং ১,৫০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

গেমস (এল)ঃ নাগালেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা অহুমসুবা নোর্থ ইষ্ট গেমস হয়েংদগী হৌরগনি। থা অসিগী ২৩ ফাওবা চথগদবা গেমস অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমগী রাজ্য ৮ গী এথলেটশিংনা তোঙান তোঙানবা মশান্না ১৫ দা লম্বা তৌনগনি। মণিপুরগী ওইনা মোইরাংথেম রতন সিংহনা চীফ দি মিসন ওইরি। দিপ্যুতি চীফ দি মিসন ওইনা হংলেম বোনি অমসুং এম. ইবুঙোচৌবীনি। গেমস অসিদা মণিপুরদগীসু ওফিসিয়েলশিং য়াওনা পুন্না শান্নরোই ৩১৯ না শরুক য়াগনি। ২০২২ গী মেঘালয়দা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট গেমসতা মণিপুরনা সনাগী ৮৫ য়াওনা পুন্না মেদল ২৩৭ ফংদুনা মকোক ওইখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এগী বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অনিসুবা ইতোমচা সিংহ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগতা ঙসি টি.ৱাই.দি.এ অমসুং য়ুনাইতেদ ফুটবোল ক্লব পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা অঙাংশিংগী পুকিং ৱাখল অমদি মশা মউ ফগৎনবগী পান্দমদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা ফুটবোল ফেষ্টিভেল অমা ঙসি য়াইসা স্পোর্টস এরেনা ককচিংদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা ককচিং, ৱাবগাই অমসুং লাংমৈদোংদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংগী অঙাং ১৩০ রোমা শরুক য়াখি। মদুগী মমাংদা হেলথ হাইজিনগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

ক্রিকেট ঃ নুপীগী প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী ফাইনেল হৌজিক নিউ দিল্লিগী অরুন জেটলি ষ্টেদিয়মদা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরগা দিল্লি কেপিতেলসকা শান্নরি। স্ম্রিতি মন্ধানানা লুচিংবা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরনা সেমি ফাইনেলদা মমাংগী চেম্পিয়ন মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু রন ৫ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা মেক লনিংনা লুচিংবা দিল্লি কেপিটেলসতি পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈবদগী

ফাইনেলদা দাইরেক্ত চংলকখিবনি। দিল্লি কেপিটেলসনা তুরনামেন্ট অসিদা গেম ৮ শান্নখিবগী মনুংদা ৬ থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈখিবনি।

লমজেল ঃ  ভারতকী এথলেট গুলবির সিংহ্না কালিফোর্নিয়াদা পাঙথোকখিবা মিতর লিশিং ১০ গী লমজেল হান্নগী নেসনেল রেকোর্দতগী সেকেন্দ ২০ তাথনা চেনদুনা চহি ১৬ শুরবা নেসনেল রেকোর্দ থুগাইখ্রে। চহি ২৫ শুরবা এসিয়ান গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট অসিনা লমজেল অদু মিনিত ২৭ সেকেন্দ ৪১.৮১ দা চেনখি। অদুমওইনমক, মহাক পেরিস ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফাই ওইগদবা মতমদগী সেকেন্দ ৪১ রোম হেন্না চংবনা মহাক গেমস অসিদদি য়াওবা য়াররোই।

------